**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 08-07.2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) কংগ্রেস লুচিংবা শ্রী রাহুল গান্ধিনা হায়রি- রাজ্য অসিদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমকা অমত্তা ওইনা নুংশিং চান্ননা লৈমিন্নদুনা শান্তি পুরকবা হোৎনমিন্নশি, হিংশানা কৈদৌনুংদা শান্তি পুরকপা ঙমলোই।

২) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি মণিপুরদা লাক্কুনা মীয়ামগী ৱাকৎশিং তাননবা শ্রী রাহুল গান্ধিনা আপীল তৌরি।

৩) মনিপুরদা ধর্ম্মগী চৎনবীগা লোয়ননা ঙসি রথ যাত্রা-কাং চিংবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

৪) মেতিওরোলোজিকেল সেন্তর ইম্ফালনা হায়রি- রাজ্য অসিগী মফম কয়াদা থা অসিগী ১০ ফাওবদি অকনবা নোং চুখিগনি।

অমসুং

৫) নুমিৎ হুমিগী রসিয়া অমসুং ওষ্ট্রিয়া খোঙচৎতা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি ঙসি মোস্কোদা থুংখ্রে।

------

রাহুলঃ কংগ্রেস লুচিংবা শ্রী রাহুল গান্ধিনা হায়রি- রাজ্য অসিদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমকা অমত্তা ওইনা নুংশিং চান্ননা লৈমিন্নদুনা শান্তি পুরকবা হোৎনমিন্নশি। নুংশিনদবা অমসুং হিংশানা কৈদৌনুংদা শান্তি পুরকপা ঙমলোই।

ইম্ফালগী কংগ্রেস ভবনদা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা শ্রী রাহুল গান্ধিনা হায়- মীপুম খুদিংমকা শান্তি হঞ্জিল্লকবা খোঙথাং ওইনা অমনা অমবু থাজনবা

অমসুং নুংশি চান্নবা হেনগৎহনবা তঙাইফদে। মহাকা হায়- রাজ্য অসিদা হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসি লৈবাক অসিগী মফম অমদা অমুক্তা ওইখিদ্রি। রাজ্য অসিগী মীপুম খুদিংমক অশাও অমসুং নুংঙাইতবনা থুমহৎলে। ফিভম অসিদগী মীপুম খুদিংমক অথুবা মতমদা থোরকপগী তঙাইফদবা লৈরে। মহাকা হায়- কংগ্রেস দল অমদি ঐ ইশামকা মণিপুরগী তংদু লৈতাদবা ফিভম অসি অথুবা মতমদা লোইশিন্দুনা শান্তি হঞ্জিল্লকবা অঙম্বা থাক্তা হোৎনগনি। ঙসি রাজ্যপালগসু উন্নদুনা রাজ্য অসিদা তংদু লৈতাবা ফিভম অথুবদা হঞ্জিনহন্নবগী মতাংদা ৱারী শান্নরে। মহাকা হায়- রাজ্য অসিদা লাক্তুনা মীয়ামগী অৱাবদা শরুক য়াবা লাকপনি মসিদা রাজনীতিগী ৱাফম লৈতে। শ্রী রাহুল গান্ধিনা হায়-

প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি মণিপুরদা লাক্তুনা মীয়ামগী ৱাকৎশিং তাননবা শ্রী রাহুল গান্ধিনা আপীল তৌরি। প্রধান মন্ত্রিনা রাজ্য অসিগী হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিগী য়েংদুনা নোংম-নিনিদং ওইরবসু কাইথোক্তুনা লাকহন্নিংবগী অপাম্বা শ্রী গান্ধিনা ফোংদোকখি।

মসিগী মমাংদা, কংগ্রেস লুচিংবা অমদি লোক সভাগী বিরোধি লুচিংবা রাহুল গান্ধিগী মণিপুরগী খোঙচৎকী মনুং চন্না রাজ্য অসি তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা হাংলিবা রিলিফ কেম্পশিংদা মফম অদুদা লৈরিবা মীওইশিংগা হকথেংননা উন্নখ্রে। শ্রী গান্ধিনা রাজ্যপাল অনুসুইয়া উইকেগা উন্নদুনা রাজ্য অসিগী হৌজিক ওইরিবা ফিভমগী মতাংদা ৱারী শান্নখ্রে।

সিলচর ইয়ারপোর্টতা মহাকপু হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি অমদি কংগ্রেস লেজিসলেচর পার্টিগী লুচিংবা-ওক্রম ইবোবী সিংহ, এম.পি.সি.সিগী প্রসিদেন্ট-কে. মেঘাচন্দ্র অমদি দলগী লুচিংবা কয়ানা ওকখি।

তুংদা মহাকা জিরিবাম হয়ার সেকেন্দরি স্কুলদা হাংলিবা রিলিফ কেম্পতা চত্তুনা লাঞ্জেন্নদুনা লৈরিবা মীওইশিংগা উন্নখি।

সিলচরদগী ইম্ফালগী ইন্তরনেসনেল এয়ারপোর্টতা য়ৌরক্লবা মতুং নুংথিলদা চুরাচান্দপুর চৎখি। নোংমগী খোঙচৎতা ঙসি শ্রী রাহুল গান্ধি রাজ্য অসিদা থুংলখিবনি। শ্রী রাহুল গান্ধিনা চুরাচান্দপুর জিলাগী তুইবোংদা হাংলিবা সদভাবনা মান্দপকী রিলিফ কেম্পতা চত্তুনা কেম্প অসিদা লাঞ্জেন্নদুনা লৈরিবা মীওইশিংগসু উন্নখি।

ঐখোয়গী চুরাচান্দপুর পাউমী ফ্রান্সিস সোঙাতেনা হায়- চুরাচান্দপুর জিলাগী ওইনা লাঞ্জেন্নদুনা লৈরিবা মীওই লিশিং ১৪ অসিগী মনুংদা হায়রিবা সেন্তর অসিদা মীওই ২০০ রোম লৈরি। ঙসিগী শ্রী রাহুল গান্ধিগী খোঙচৎ অদুদা রিলিফ কেম্প অসিগী অঙাংশিংগা উন্নদুনা অচা অথক কয়া পীরমখি। তুংদা, শ্রী রাহুলনা জিলা অসিদা লৈরিবা কংগ্রেস দলগী লুচিংবশিংগসু উন্নখি।

চুরাচান্দপুরদগী ফৌগাকচাউ ইখায় ফাওবগী লম্বীদা লাকপদা মীয়ামা তোঙান তোঙানবা দাবী তৌদুনা লম্বীগী নাক য়েৎতা প্লেকার্দশিং পায়দুনা লেপখি। শ্রী রাহুল গান্ধিনা ফুবালাদা লৈবা রিলিফ কেম্পতা চত্তুনা লাঞ্জেন্নদুনা লৈরিবা মীওইশিংগসু উন্নখি।

ঐখোয়গী বিষ্ণুপুর পাউমী আর.কে. মণিপুর সনানা হায়- রিলিফ কেম্প অদুদা লৈরিবা মীওইশিংনা শ্রী রাহুল গান্ধিনা তোঙান তোঙানবা মেমোরেন্দম কয়া পীশিনখি। শ্রী গান্ধিনা মখোয়গী ৱাকৎশিং অদু য়েংশিনগনি হায়না থাজবা পীরমখি। লাঞ্জেন্নদুনা লৈরিবা মীওইশিংনা শাবা খুৎ-শা হৈবগী পোত্থোকশিংসু য়েংলমখি।

শ্রী রাহুল গান্ধিনা রাজ্যপাল অনুসুইয়া উইকেগা ইম্ফাল রাজ ভবনদা উন্নখি। উন্নবা অদুদা সি.এল.পি. লুচিংবা ওক্রম ইবোবী, কংগ্রেস ৱার্কিং কমিতিগী মেম্বর গাইখাঙম, এম.পি.সি.সিগী প্রসিদেন্ট মেঘচন্দ্র, লোক সভা এম.পিশিং অঙোমচা বিমোল বিমোল অকোইজম অমসুং অলফ্রেদ কাঙম অর্থর অমদি সেক্যুরিতি এদভাইজর কুলদিপ সিংহনচিংবা শরুক য়াখি।

কাং (এল)ঃ মনিপুরদা ধর্ম্মগী চৎনবীগা লোয়নননা ঙসি রথ যাত্রা-কাং চিংবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে। মপুং ওইবা থৌরম ইম্ফালগী শ্রীশ্রী গোবিন্দজিগী মন্দিরদা পাঙথোকখি।

রথ যাত্রাগী থৌরম অসি ইস্কোন মণি মন্দিরদসু পাঙথোকখি। অদুমওইনমক, রাজ্য অসিগী হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিগী য়েংলগা কুন্ধে অসি মহৌশাগুম লৈকাই লৈকাইদা কাং চিংদুনা পাক চাউনদি পাঙথোকদ্রে।

মেট (এল)ঃ মেতিওরোলোজিকেল সেন্তর ইম্ফালনা হায়রি- রাজ্য অসিগী মফম কয়াদা থা অসিগী ১০ ফাওবদি অকনবা নোং চুখিগনি।
লাক্লিবা নুমিৎ নিনি অসিদা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা অখাক অরাউ অমদি নুংশিৎ য়াওনা অকনবা নোং চুগনি।

অমরোমদা, মেট দিপার্টমেন্টনা হায়রি- অরুনাচল প্রদেশ অমসুং নাগালেন্দ য়াওনা অৰাং নোংপোক রাজ্যশিংগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা অকনবা চুরবা য়াই। লৈবাক অসিগী ময়াই থংবা শরুকশিংদসু অকনবা নোং চুরগনি। নোংপোক থংবা ভারত্তা ময়াই ওইপ্তুগীনা অকনবা নোং চুরবা য়াই। নোংচুপ থংবা লমদমশিংদসু অকনবা নোংগী অৰাবা মায়োকরগনি।

কাপবা (এল)ঃ তমেংলোং জিলাগী তৌসেম সব-দিভিজনগী মনুং চন্না লৈবা ফাইকোত খুলগা জিরিবামগা লোন্নবা শরুক্তা মশক খঙদবশিংনা ঙসি নোংঙাল্লমদাই পুং অহুমলোম তাবা অদুৰাইদগী বোম য়াওনা নোংমৈ কয়া জিরিবামলোমদা কাপশিল্লকখি হায়রি।

ঐখোয়গী জিরিবাম পাউমীনা হায়- সেক্যুরিতি ফোর্সকী মায়কৈদগীসু হনদ্না নোংমৈ কাপখি। তুংদা, মফমদুদা অহেনবা সেক্যুরিতি ফোর্সশিং থাজিনখি হায়রি। অমরোমদা, জিরিবামগী লাল পানিদা লৈবা মীওই অমগী ফার্ম হাউসসু ঙসি অয়ুক শকখঙদবশিংনা মৈ থারম্লে হায়রি।

মরক অসিদা, জিরিবামগী মৈরা পায়বী কাংবু কয়ানসু তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা অচৎ অওকশিং চেক তৌবগী থবক চখি হায়রি। ঙসিগী ওইনা জিরিবামদগী পোৎ-চৈ পুবা গাড়িশিং ইম্ফালোমদা থাদবদগী হৌজিক জিরিবামদা গাড়ি ১২৮ লোম পন্দুনা লৈরি।

রোবিনহুদ (এল)ঃ মণিপুরদা ইন্নর লাইন পার্মিৎ সিষ্টেম মপুং ফানা চৎনহল্লু হায়না চংশিনখিবা খোঙজংদা থৰায়না পোন্থা পীখ্রবা লমজিং মৈরা সাপম রোবিনহুদ লৈখিদবগী ৯ শুবা নিংশিং থৌরম ঙসি ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী অৰা চীংদা লৈবা অথৌবা অসিগী অরোইবা য়াতাফম ওইরিবা য়েলহৌমীশিংগী নিংশিং খুভমদা পাঙথোকখ্রে। জোইন্ট কমিতি ওন ইন্নর লাইন পার্মিৎ সিষ্টেম

(জে.সি.আই.এল.পি.এস)না শিন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদু অয়ুক অঙনবদগী পেনা য়াকাইরোলনা হৌদোল্লবা মতুংদা ইন্দিজিনস মণিপুর মার্সেল আর্ট একাদমিগী শান্নরোইশিংনা জেনেরেল সেলুট পীদুনা অথৌবা অসিগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎখি।

নোনে (এল)ঃ রোংমৈ নাগা কাউন্সিল মণিপুর-এন.টি.এল, আর.এন.এস.ও.এম, রোংমৈ ভিলেজেজ চিফস-চেয়ারমেন এসোসিয়েসন, চুরাচান্দপুর অমসুং কাংপোকপী জিলাগী এন.টি.এল (ফুট হিলস)না মুখ্য মন্ত্রিদা অথুবা মতমদা ওল্ড কছার রোড, তোংজৈ মরীল অমসুং নেসনেল হাইৱে-৩৭ তা তারিবা মাইনোরিতি ত্রাইবশিংগীদমক পুলিস এদমিনিষ্ট্রেসন অমসুং অতৈ থৌরাংশিং অথুবা মতমদা থবক ওইনা পাঙথোকপীনবা তকশিল্লক্লি।

কাংপোকপী (এল)ঃ মণিপুরদা হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা নোং লেপ্তুনা চুখিবা অসিনা মরম ওইরগা সাইকুল কেন্দ্রগী মনুং চন্না লৈবা উতোং লোক ভিলেজ ঈশিং থুমজিনখ্রে। খুল অদুগী অৱা অনা তারবশিংবু ঙসি কেন্দ্র অসিগী এম.এল.এ কিমনিও হংসিং অমদি মহাক্কী কাংবু লোয়নননা তোঙান তোঙানবা সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসনশিংনা য়েংশিনখিবগা লোয়নননা তেংবাংগী পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে।

ককচিং (এল)ঃ তয়াইমা চেরিতেবল ট্রষ্ট ককচিংগী ১৩ শুবা ফাউন্দেসন ডে থৌরম ঙসি রিপ্রজেন্তেতিভস ওফ লোইজ, ককচিং চুমনাংগী ওদিতোরিয়মদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসিগী শরুক অমা ওইনা ককচিংগী রিলিফ কেম্প মঙাদা লৈবা মহৈরোইশিংদা তেংবাংখি।

মোদি ঃ নুমিৎ হুমিগী রসিয়া অমসুং ওষ্ট্রিয়া খোঙচৎতা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি ঙসি মোস্কোদা থুংখ্রে । প্রধান মন্ত্রিনা মোস্কোদা থুংলবদা লৈবাক অদুগী লৈবাক অদুগী অহানবা উপ-প্রধান মন্ত্রি দেনিস মেনতুরোভনা গার্দ ওফ ওর্নর পীদুনা হরাউ তরামা ওকখি।

ভারত থাদোক্ত্রিঙৈ মমাংদা সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোলদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়- মহাক্কী খোঙচৎ অসিনা রসিয়া অমসুং ওষ্ট্রিয়া লৈবাক অনিগা মরী হেন্না নকশিন্নহন্নবগী অচৌবা খুদোংচাবা অমা পীরগনি।

শ্রী মোদিনা হায়- মহাকা লৈবাক অনি অদুদা লৈবা ভারতমচাশিংগী উন্নদুনা ৱারী শান্নগনি। শ্রী মোদি ইন্দিয়া-রসিয়াগী ২২ শুবা সম্মিৎতা শরুক য়াগনি। ভারত অমসুং রসিয়ানা হৌখিবা চহি ১০ অসিদা তোঙান তোঙানবা লমশিং- ইনর্জি, সেক্যুরিতি, লল্লোন ঈতিক, হকশেল, মহৈ মশিং, কলা সংস্কৃতিনচিংবা লম কয়াদা পুন্না খুমাং চাওশিন্না চংশিনমিন্নরি। শ্রী মোদিনা ওষ্ট্রিয়া খোঙচৎতা লৈবাক অদুগী আলেকজেন্দর ভেনদর বেলেন অমসুং চান্সেল্লর কেরি নেহমারগা উন্নগনি।

ঝারখন্দ ঃ হেমন্ট সোরেন ঙসি ঝারখন্দ বিধান সভাদা থাজবগী ভোৎ লৌনবদা মায় পাকখ্রে। ঝারখন্দ মুক্তি মোর্চানা লুচিংবা চুশিন্নবা কাংবুগী এম.এল.এ ৪৫ না থাজবগী মোসন অদুবু শৌগৎতুনা ভোৎ পীখি।

মদুগী মমাংদা, মুখ্য মন্ত্রি হেমন্ট সোরেন্না রাজ্য বিধান সভাদা কনফিদেন্স মোসন মুভ তৌখি। সভাদা মোসন অদুগী মতাংদা খন্নখি। বিরোধিনা শ্রী সোরেনগী সরকারগী মায়োক্তা য়ানিংদবা খোল্লাউ কয়া লাউবদগী চরাংনবা থোকখি। মীফম অদু থাজবগী ভোৎ লৌনরবা মতুংদা মতম কক্তনা য়ৈথোকখি। নিংশিংবা য়াই, শ্রী সোরেন থা অসিগী মরিদা ঝারখন্দগী মুখ্য মন্ত্রি ওইনা ৱাশক লৌখিবনি।

অমরোমদা, মুখ্য মন্ত্রি হেমন্ট সোরেন্না থাজবগী ভোৎ লৌনবদা মায় পাকখিবগা লোয়ননা মহাক্কী মন্ত্রি মন্দল চাউথোকখ্রে। হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি চম্পাই সোরেন কেবিনেট মন্ত্রিদা য়াওরি। রাজ ভবনদা রাজ্যপাল সি.পি. রাধাকৃষ্ণননা এম.এল.এ ১১ কেবিনেট মন্ত্রি ওইনা ৱাশক লৌখি। মখোয়শিং অদুগী মনুংদা ঝারখন্দ মুক্তি মোর্চাগী এম.এল.এ ৬, কংগ্রেসকী ৪, আর.জে.দিদগী মীওই ১ য়াওরি।

হরিয়ানাঃ হরিয়ানা রোডৱেজগী বস অমা ঙসি অয়ুক পঙ্কুলাগী পিনজোর মনাক্তা মথক মখা ওনবদা বস অদুদা তোংবা মীওই ৫০ হেন্না অশোক অপন নংখ্রে। রাজ্য সরকারনা বস অদুগী দ্রাইভর অমসুং কন্দক্তর সস্পেন্দ তৌখ্রে।

করাতি (এল)ঃ ওল ইন্দিয়া ইন্টর সাই করাতি টুর্নামেন্ট-২০২৪ ঙসি ইম্ফালগী খুম্মন লম্পাক সাই এস.টি.সি. ইন্দোর হোলদা লোইশিনখ্রে। স্পোর্টস ওথোরিতি ওফ ইন্দিয়া-নোর্থ ইষ্ট সেন্টরনা শিনবা টুর্নামেন্ট অসি থা অসিগী ৬ তগী হৌখিবনি। সাই এস.টি.সি নহারলগুন অরুনাচল প্রদেশনা সনাগী তকমান ২০ য়াওনা পুন্না তকমান ৩৪ ফংদুনা ওভর ওল টিম চেম্পিয়ন ওইরে, সাই এস.টি.সি ইম্ফাল, মণিপুরনা সনাগী তকমান ১১ য়াওনা পুন্না তকমান ২৩ ফংদুনা অনিসুবা তাখি। লোয়ননা সাই এস.টি.সি শিল্লোং মেঘালয়না সনাগী তকমান ৫ য়াওনা পুন্না তকমান ১৯ অমদি সাই এস.টি.সি জবলপুর মধ্য প্রদেশনা সনাগী তকমান ৫ য়াওনা পুন্না তকমান ১৩ ফংখি।

লোইশিনবগী থৌরম অদুদা ওলিম্পিয়ান এন. কুঞ্জরানি দেবী অমদি গ্রুপ সেন্তর সি.আর.পি.এফ লাংজিং ইম্ফালগী কম্মান্দেন্ট শরুক য়াখি।

এআর (এল)ঃ অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা তেংনৌপল জিলাগী তেংনৌপল গভর্নমেন্ট হাইস্কুলদা স্পোর্টস মিট পাঙথোকখ্রে। মদুদা জিলা অদুগী তোঙান তোঙানবা স্কুল ৬ কী মহৈরোই ৫০০ রোমনা তোঙান তোঙানবা মশান্নদা অথোই অহেন তান্নখি।

চুরাচান্দপুর জিলাগী রেংকাই খুলদা লৈবা সিনলুন ফুটবোল একাদমিদা অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা মফম অদুগী নহাশিংগা ফ্রেন্দলি ফুটবোল মেটচ অমা শান্নখ্রে। থৌরাং অসি মফম অদুগী মীয়াম অমসুং নহাশিংগা হেন্না অফবা মরী থম বা লৌখৎপনি।

ওকপা (এল)ঃ ত্রিপুরাগী আগরতালাদা পাঙথোকখিবা ৭ শুবা নেসনেল জেন্দোকাই-করাতে চেম্পিয়নসিপ ২০২৪ দা সনাগী তকমান লৌরকখ্রবা মণিপুরদগী লৈশাংথেম বিশ্বজিৎ মৈতৈ অমদি এলাংবম বিশরাজ অনিবু ঙসি

ৱাংমতাবা য়ুথ ক্লব অমদি ইন্তরনেসনেল পিছ এন্দ সোসিয়েল এদভান্সমেন্ট থৌবাল ব্রাঞ্চনা তরামা ওকখ্রে। ত্রিপুরা জেন্দোকাই করাতে এসোসিয়েসন অমসুং আই.জি.এ.আর (ইষ্ট) ত্বেন্তিৱান সেক্তর অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা চেম্পিয়নসিপ অসিদা কিলোগ্রাম ৩৫ অমদি ৩৬ কী কেটগোরিদা মখোয়না সনাগী তকমানশিং অসি ফংলকখিবনি।

বেদমিন্টন (এল)ঃ মণিপুর বেদমিন্টন এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা অহানবা থোঙাম ইবেতোন্বী মেমোরিয়েল নোন-ষ্টেট বেদমিন্টন তুরনামেন্ট থা অসিগী ১৩ দগী ১৫ ফাওবা পাঙথোক্লগনি হায়রি। তুরনামেন্ট অসি ঈশিং ঈচাউনা মরম ওইদুনা য়েথোক্তুনা লাকপনি। হায়রিবা তুরনামেন্ট অসি মণিপুর বেদমিন্টন এসোসিয়েসনগী ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্কনি।

বেদমিন্টনঃ সেন্ট দেনিস রি-য়ুনিয়ন বেদমিন্টন ওপন-২০২৪ দা ভারতনা নুপা অমসুং নুপীগী সিঙ্গলস টাইতল লৌরে। ঙরাং শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসতা ভারতকী তরুন মানেপলিনা জপানগী য়ুদাই কোকিমোটোবু ষ্ট্রেট সেটতা ২১-১৫, ২১-১৫ তা মায়থিবা পীখি। নুপীগী সিঙ্গলসতনা ৱার্ল্ড নম্বর ৭৫ ভারতকী তাসনিমনিরনা রাসিতা শাবু ষ্ট্রেট সেটতা ২১-১৫, ২১-১৯ দা মায়থিবা পীখি।

অদুমওইনমক, নুপাগী দবলসকী ফাইনেলদদি ভারতকী প্রকাশ রাজ অমসুং গৌস সাইটকী জরাবু ফ্রান্সকী শান্নরোইশিংনা ৯-২১, ১৪-২১ দা মায়থিবা পীদুনা রন্নরস অপ তাহৌখি।

------